# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-07-2024)**

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাংদগী লেপ্তুনা চ্‌রকখিবা নোংনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ময়োলদা চেল্লিবা তুরেলশিং য়াওনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ইমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে।

তুরেলশিংগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎল্লিবা অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটদনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা হায়-জিলা অসি ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেল খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে।

মেট দিপার্টমেন্টনা ঙরাং রাজ্য অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা য়ামা কনবদগীনা খ্বাইদগী হেন্না কনবা চাংদা নোং চুগনি হায়বা লৈখ্রে। মরম অসিনা, ইম্ফাল তুরেল অমসুং নম্বুল তুরেলগী মপালদা লৈরিবশিংনা তুরেল তোর্বানশিং কায়রক্তুনা ঈচাও থোরকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা চেকশিননা লৈনবা হায়রি। মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম কনবা ঙমবগীদমক সরকারগী মরী লৈনবা লোইশঙশিং-দি.সি. ওফিস, পুলিস ষ্টেসন নৎত্রগনা ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট অমসুং অতৈ মরি লৈনবা বিভাগশিংদা পাউ পীবিরকবা খঙহল্লি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা নোং চিংগী ফিভম অসি য়েংলগা জিলা অসিগী মীয়ামনা ঈচাওদগী ঙাকথোকবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম কন্নবগীদমক লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা হায়রি।

ঙরাংদগী লেপ্পা লৈতনা চুরক্লিবা নোং অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ময়োলগী অকুৎপা মফমশিং পাক শন্না ঈশিং থুমজিল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা চুগদবা নোং চিংগী ফিভম য়েংদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু জিলা অদুগী মীয়ামনা চেকশিন্না লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

অমরোমদা, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাগী মফম খরদা অখাক-অরাওগা লোয়ননা সিন্টেমিটর কুনগী চাংদা নোং চুগনি। জিলা অনি অসিদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাওথোকখ্রে। জিলা অনি অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু পাক্তকনা নোং চুখিগনি হায়রি। তমেংলোং, কাংপোকপি, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, ফেরজোল অমসুং জিরিবামদসু হয়েং ফাওবা অখাক-অরাওগা লোয়ননা নোং চুখিগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফনা থমবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী চিং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক কন্না লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

চুরাচান্দপুর জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লোং রেঞ্জ মোটার পম্পী অমা, লাইফ সেলগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা অশোয় অঙাম য়াওদনা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌহনবগী থবক চথুরি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা জিরিবাম জিলাদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী লন-থুম আইনগী মতুং ইন্না ঙাক শেনদুনা থমবা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগীদমক থা অসিগী মঙা ফাওবগী মনুংদা মরি লৈনবা চে-চাংশিং পীশিল্লকবা হায়রি।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা হায়-মসি সুপ্রিম কোর্টনা জিলা অসিগী ওইনা ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা

মীওইশিংগী মশা মশাগী লমশিং ঙাক শেন্নবগীদমক মনিপুর সরকারগী সেক্রেটরিয়েট মেন রিছোর্স দিপার্টমেন্টতা পীরকপা য়াথং অমগী মতুং ইন্নননি।

**উ থাবা (এল)ঃ** ৭৫ শুবা বন মহোতসব পালন থৌরমগা মরী লৈননা প্লান এ ত্রি ফোর এ বেটর ফ্যুচর হায়বা থিমদা হৈঙাং, নিলাকুথি, তেংদোংয়াংনচিংবা মফম কয়াদা ড চারা কয়া থাখ্রে। থৌরম অদু সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও. গনেস নাগরজনগী মীৎয়েং মখাদা সদর ইষ্ট রেঞ্জকী রেঞ্জ ওফিসার-এম. জোগীতনা লুচিংবা কাংবু অমনা কংলৈ শিন্দম শঙ কোচিং ইন্সটিট্যুটকী মহৈরোইশিং অমসুং মফম অদুগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংগা পুন্দুনা থাখিবনি।

**করাতে (এল)ঃ** অসামগী গুৱাহাতিদা লৈবা করম্বীর নবিন বোরদোলোই ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস মিটতা মনিপুর পুলিসকী টি. রোজিৎনা করাতে মশান্নদা কে.জি. ৫৭ কী কাংলুপ্তা লুপাগী তকমান ফংলকপদা ৱাদো করাতে দো এসোসিয়েসন মনিপুরনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**সংসদঃ** সংসদকী অপুনবা মীফমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা পীখিবা ভাষনগী মোসন ওফ থেঙ্কস ঙরাংদগী লোক সভাদা খন্নবা হৌখ্রে। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পি. সদস্য অনুরাখ ঠাকুরনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। শ্রী অনুরাখনা হায়-প্রধান মন্তি গরিফ কল্যান অন্ন য়োজনাগী মখাদা মীওই কোতি ৮০ রোমদা লেমা চেং-হৱাই পীথখ্রে। মসিগী মথক্তা য়ুম কোতি মরি অমদি টৌইলেট কোতি

১২ শাখ্রে।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা নিট পরিক্ষাদা অশোয়বা অরানবা কয়া তৌখিবা, অগাবির স্কিম, মনিপুরগী তংদু লৈতাদবা, দিমোনিটাইজেসন, ইনফ্লেসন হেনগৎলক্লিবা অমদি লৌমীশিংগী ৱাথোক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎলকখি। রাহুল গান্ধিনা নিট ইগজামগী মতাংদা নোংমা চুপা খন্ন-নৈনবগী অপান্বা ফোংদোকখি। মহাক্কী ৱারোলদা হিন্দু জাতিশিংগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু প্রধান মন্ত্রি অমদি গৃহ মন্ত্রিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মদুদা, অধ্যক্ষ ওম. বিরলানা সভাদা ৱা ঙাংবদা সভাগী চৎন-কাংলোন ঙাকা চৎনবা খঙহনখি।

নাকল অমরোমদা, এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনসু রাজ্য অসিদা থোক্লিবা চহি অমা হেল্লবা ইরাং অসিগী মতাংদা সভাদা ৱাফম কয়া থমখি। ঙরাং নুমিদাং সভাগী এর্জোন তৌগদবা মীকুপ খরতমক ঙায়রক্লবা মতমদা ৱা ঙাংবগী মতম ফংখিবা বিমোল অকোইজমনা শুপতগী মিনিট ৮ খক্তমক মনিপুরগী মতাংদা ৱাফমশিং থন্বা ঙমখি।

**সরবানন্দঃ** পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজগী মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱালনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিদা ঙসি প্রি-বজেট মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

মীফম অদুদা শ্রী সোনোৱালনা নেসন বিল্ডিংগা মরী লৈননা ৱাফম কয়াসু থমগনি।

**এগ্রীঃ** অসামগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-অতুল বোড়ানা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহানগা উন্নদুনা লৌউ শিংউগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিননা চংশিনবা ঙমবা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা অসামদা হোর্টিকলচর য়াওনা লৈবাক লৈহাওগী ফিভম

ফগৎহন্নবা, ষ্টোরেজ কেপাসিতি হেনগৎহন্ননবা লোউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহন্ননবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱা খন্নখি। শ্রী চৌহাননা হায়-অসামদা লৌমীশিং অমসুং লৌউ শিংউগী লমদা থবক তৌরিবশিংগীদমক কেন্দ্র সরকারগী মায়কৈদগী কেপাসিতি বিল্ডিং ৱার্কশোপ অমসুং ট্রেন্নিং পাঙথোকপা য়াওনা মপুং ফানা মতেং পীখিগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈবাক অসিদা ঙরাংদগী অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনবা হৌখিবগী থৌরম পাঙথোকখিবা, থৌরম অদুদা চীফ মিনিস্তর নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম, মনিপুরদা লৈরিবা ইরাংগা মরী লৈননা ওপোজিসন লিদর রাহুল গান্ধিনা মনিপুরগী মতাংদা থমখিবা ৱাফম লোয়ননা এম.পি. অঙোমচা বিমোলনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা সভাদা থমখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর ন্যুজ, সনা লৈবাক, মোরনিং বেল, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, গানফিয়ু মেল, দা চম অমসুং তমেংলোং টাইম পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

অনৌবা লো অহুম চৎনবা হৌখিবগী পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা-মোব জষ্টিসতা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীগদবা অনৌবা ক্রিমিনেল লো লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌখ্রে। তুংগী মীরোলগী খল্লগা অরানবা থবক অমত্তা তৌগুমসি-সি.এম. হায়না ফোংলি।

এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মনিপুরগী ৰাফম পুথোরকপদা পার্লিয়ামেন্ট নিকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

জে.দি.য়ুগী এম.এল.এ. মঙা টেন সেদ্যুলগী মখাদা দিসক্বালিফাই তৌবগী ৰারেপ স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা লেপবা কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু মনিপুর ন্যুজগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-থা অহুমদা মনিপুরগী ইরাং লোয়শিনদ্রবদি এন.পি.পিনা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লগনি-ৰাই.জয়কুমার হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রাহুল গান্ধিনা পার্লিয়ামেন্টতা মনিপুরগী মতাংদা ৰাফম কয়া পুখৎখিবগী পাউ অমসু মোরনিং বেল পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি পোক ফম পাউচেদদি বি.জে.পিগী ওইনদি মনিপুরসি ইন্দিয়া নৎত্রে-রাহুল হায়না ফোংলি।

মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা নোংজ্গী ফিভম অসি য়েংলগা রাজ্য সরকারনা ফ্লড এদভাইজরি ইশু তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।